**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-06-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** বৃটিশ একাডমী ফিল্ম এৱার্ড (বাফতা) ফংখ্রবা মনিপুরগী লক্সমীপ্রিয়া দেবীনা দিরেক্সন পীবা 'বুঙ' ফিল্মনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ন্যু য়োর্ক ইন্দিয়ান ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট চাইল্ড এক্তর য়াওনা মনা অহুম ফংলকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়-মে ২৮ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ন্যু য়োর্ক ইন্দিয়ান ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৬ তা মনা অহুম ফংল্লকখিবা অসি মনিপুরগী ওইনা থোইদোকা চাউথোকচনিংঙাইনি। 'বুঙ' ফিল্মনা মালেম থাক্কী চাংদমবা কয়াদা মখা তানা মিংচৎ-উরোং খিনবা ঙল্লকপগীদমক থোইদোকা অপেনবা পোকই।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-ঐখোয়না সাইকল থৌবগী হৈনবী থমদুনা হকচাং ফনা লৈনবা, নুংশিৎ শেংহন্নবা অমসুং অশঙ অমাননা থল্লবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নরসি।

ৱার্ল্ড বাই সাইকল ডে-২০২৬ কা মরী লৈননা পীবা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অশঙ অমান্ননা থল্লবা তুংলমচৎ অমা ওইহন্নবগীদমক সাইকল থৌরসি হায়বা ৱাখল্লোনদা কুমশি চহিগী ৱাল্ড বাই সাইকল ডে অসি পাঙথোক্লি। মসিনা, চহি ২০০ হেল্লবা সাইকল থৌবগী চৎনবীনা অকোইবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহন্দনা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ অমা ওইরম্বা অদু নৌহৈননা নীংশিংহল্লি। হেন্না ফবা তুংলমচৎ অমা ওইহন্নবা ঐখোয় সাইকল থৌরসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ৱার্ল্ড বাই সাইকল ডেগা মরী লৈননা হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-সাইকল থৌবনা কারবোদাইওক্সাইদ হন্থহন্দুনা হকচাং ফবা পুন্সি মহিং অমা ওইবা ঙমহল্লি। হেন্না ফবা মহৌশাগী অকোইবা ফিভম অমা লৈহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নরসি হায়নসু ডা: রঞ্জননা ফোংদোকখি।

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ভারত-ভারতিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-বিনয় পত্রলেহগা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা শক্তম হেন্না চেৎশিলহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-লৈবাক অসিগী আইরন মেননি হায়নরিবা সরদার ভলবভাই পতেল পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা ভারতকী কালা সংস্কৃত্তিগী অপুনবা শক্তম হায়বা থৌরম হেন্না মায় পাকা পাঙথোকবসু খন্নখি। মহাকা হায়-ভারত-ভারতিনা এক ভারত শ্রেস্থ ভারত ওইহন্নবা অমসুং লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাকনবা অমদি কালা সংস্কৃত্তিশিং হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং কয়া য়াদুনা লাক্লি। মনিপুর সরকারনসু জাতিগী অপুনবা শক্তম, কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা অমসুং পুন্না চাউখৎমীন্নবগী ৱাখল্লোনশিং থবক্তা ওন্থোকবা চপ চানা হোৎনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

**ফেরজোল(এল)ঃ** অনুনে অনন্দনা ঙসিদগী ফেরজোলগী দিপ্যুতি কন্মিস্নার ওইনা থৌ পুখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা চার্জ শিন্নবগী থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মনিপুরগী অনৌবা দি.জি.পি. মুকেশ সিংহগা উন্নদুনা শান্তি রক্সা অমসুং ঙাকশেলগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে।

শ্রী গোবিন্দাসনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা ঙসি শ্রী মুকেশ সিংহগা উন্নদুনা মহাকপু তরামা ওকপগা লোয়ননা ৱাফমশিং অসি খন্নখিবনি। অনৌবা দি.জি.পি. অসিগী মখাদা মনিপুর পুলিসনা কৎথোকপগা লোয়ননা হেন্না মথৌ নীংথিনা তৌদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোরক্কনি হায়না থাজৈ হায়নসু শ্রী গোবিন্দাসনা ফোংদোকখি।

**লোল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা জপান লোল তমবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা মহৈরোইশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং চুমনাং লৈকাই মচিন-মনাও চীংলক্তা লৈবা অনন্দা সিংহ যোগ এন্দ নেচর কিয়োর রিছার্স হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী স্কিলস, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ দিপার্টমেন্ট, নেসনেল স্কিল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন, ক্বাকলৈ ইন্টরপ্রাইজেস-ককচিং অমসুং হোস্পিতাল অসিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা যোগ এন্দ নেচর কিয়োর রিছার্স হোস্পিতাল ককচিংগী সেক্রেটরি-ডা: ময়াংলম্বম রাজকুমার অমসুং নেসনেল স্কিল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগা ষ্টেট এনগেষ্টমেন্ট ওফিসার-মসোত জিমিক শরুক য়াখি।

**অগুই(এল)ঃ** নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগা খুৎশমদুনা অখন্নাব ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি কেম্পেইন অমা ঙসি নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু হৌদোক্লদুনা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-বিদ্যামারি

শ্রীধারনা হায়-সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা শেল থুমগা মরী লৈনবা থৌশিল থৌরাংশিং পায়খৎপদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক কেম্পেইন অসি পাঙথোকপনি।

কর্ম্মচারিশিংনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি লোননবসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা আপিল তৌখি।

**রিংবাম (এল)ঃ** অহুমশুবা মালেমগী এসিষ্টিব টেকোলোজি নুমিৎ ২০২৬ গা মরী লৈননা ওল ট্রাইবেল দিসএবল য়ুনিয়ন (এ.টি.দি.য়ু.এম) মনিপুরনা শিনবা সোসিএল মেদিয়া কনটেষ্ট, মায় পাক্লবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসি চহি য়ামশিল্লকপা অমদি অতৈ মরম কয়াদগী উবা, তাবা অমদি হকচাংগী শরুক কয়া শোত্থরকপনচিংবদা টেকোলোজিনা কমদৌনা মতেং পাংগদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনা (পি.এম.জে.এ.ৱাই) গী কার্ড শাবগী থৌরমশিং ঙসি শগোলবন্দ নেপ্রা মেনজোর লৈকাই অমসুং শগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকাই মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমশিং অদু শগোলবন্দগী অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা লমদম অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী জিলাগী লোঙা কোইরেং ভিলেজতা খুল অদুগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। খুঞ্জাশিং অদুনা মফম অদুবু মখা তানা ঙাকপী শেনবীনবা ৱাফমশিং পুখৎলকখি।

অমরোমদা, কোমলাখোং ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কুমগী নোং মাংওইননা পাঙথোকপা শ্রমধান দ্রাইবতা মফম অদুগী অহল ওইরবা

খুঞ্জাশিং অমদি নহারোলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। স্বাস ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা প্লাষ্টিক য়াওনা অমোৎ অকায়শিং মফম চানা লোয়শিন্নবসু অসাম রাইফলসকী ওফিসিএলশিংনা ফোংদোকখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** মহাবলি ইনটেক পোইন্টতা লৈবা ট্রান্সফোমর শেমজিনবগী থবক চথুরিবা মরমনা নিংথেম পুখ্রি ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টকী মখাদা লৈবা মফমশিংদা ঈশিং পীবা লেপখিগনি।

পি.ঐচ.ই. দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

**মৈ (এল)ঃ** ৱান থারতি টু বাই-থারতি থ্রি বাই-এলভেন কে.ভি.চান্দেল সব ষ্টেসন ঙসি টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরদগী মৈ পীবা লেপখ্রে।

এম.এস.পি.সি.এলগী পাউনা হায়-শেমজিনবা লোয়দ্রিবা ফাওবা এলভেন কে.ভি. কোমলাথাবী অমসুং চান্দেল ফিদরগী মখাদা লৈবা মফমশিংদা মৈ পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা, ইন্টিগ্রেটেদ ট্রাইবেল দিবলপমেন্ট এজেন্সি অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ ট্রাইবেল দিবলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী কনক্লেব ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রতিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা ট্রাইবেল কাংলুপকী মীওইশিং মশা মশাগী ইনাক খুল্লবা চৎনবী অমসুং ধর্ম্ম লৈজবা কাংলুপনি। মখোয়বু চাউখৎপগী লম্বীদা মাং থানা পুরকপা হায়বসি সরকার অসিগী তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি। সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খুদিংমক লৈবাক অসিগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনগদবনি। সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং লৈবাক অসিগী ট্রাইবেল কাংলুপকী মীওইশিং মপুং ফানা ফংবা ঙমদবগী মতাংদসু

রাস্ত্রপতিনা নুংনাংবা ফোংদোকখি।

**ৱাশকঃ** কংগ্রেস লুচিংবা দি.কে. শিবকুমার করনাতক্কী ২৫ শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। মহাকপু রাজ্যপাল-থৱারচান্দ ঘেলোটনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

সিদরামায়া মন্ত্রি-মন্দলদা গৃহ মন্ত্রি ওইরম্বা ডা: জি. পারামেশ্বরবু উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি। মসিগী মথক্তা এম.এল.এ. ১২ সু কেবিনেট মন্ত্রিশিং ওইনা ৱাশক লৌখি।

দি.কে. শিবকুমারনা করনাতক্কী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং নীংথিনা পায়খৎনবগীদমক কেন্দ্রনা করনাতক সরকারগা পুন্না থবক তৌমীন্নগনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন্ খর্গে অমসুং রাহুল গান্ধি য়াওনা কংগ্রেস লুচিংবা কয়ানসু শ্রী শিবকুমারনা মুখ্য মন্ত্রি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**ফয়ারঃ** দিল্লিগী মালভিয়া নাগরদা লৈবা হোটেল অমদা ঙসি অয়ুক মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ২০ লৈখিদ্রে, ৪০ না কলহৌরে।

সাউথ দিল্লিগী দি.সি.পি. অনন্দ মিতলনা হায়-ফয়ার টেন্দর ৮ শিজিন্নদুনা মৈ চাকপা অদু মপুং ফানা মুত্থৎপা ঙমখ্রে। পুলিস, ফয়ার সার্ভিস অমসুং অতৈ ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স টিমশিংনা কন্না হোৎনবদগী থৌদোক থোকফমদগী মীওই ২০ কনদুনা মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদদা মীওই কয়াগী পুন্সি লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা অৱাবা নংলবশিংদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীরি। অশোকপশিং অদু থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা প্রাইম মিনিস্তরস নেসনেল রিলিফ ফন্দগী লুপা লাখ অনি অনি অদুগা শোক্লবশিংদনা লুপা লিশিঠ ৫০-৫০ পীরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া লৈখিদবা অমসুং খরনা অশোক অপন থোকহনখিবা অদুবু অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খাঙবোক পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা-ফোর্সে ক্ষেত্রিগাউনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু রন-৩৪ দা থোইখ্রে।

লিগ অসিগী তাউথোং খুন্দৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নবা অল-আমিন অমসুং টি.সি.এন.দি.সি. মেটচ অমদা ওভর অহুম শান্নরবা মতুং নোংনা মরম ওইদুনা মেটচ এদভান্ধন তৌখ্রে। টিম অনিমক পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

লিগ অসিগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ, লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নগদবা মেটচশিংসু নোংনা মরম ওইদুনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে।

**কাংঃ** হিয়াংলম ৱাবগাইদা চথরিবা ২৬ শুবা অরাম্বম সোমেরেন্দ্রো নীংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউ কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-এল.এস.কে. টিম (বি) ৱাঙ্গোইনা ধুরবতারা কাংখুৎ ৱাবগাইবু পাঞ্জল ১৪-১২ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা হয়েং মরাম্বা কাংখুৎ-হিয়াংলম অমসুং পুথিবা কাংখুৎ খুন্দ্রাকপম শান্নরগনি।

**সাই ঃ** স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা

নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স ইম্ফালগী নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী ফুটবোল শান্নরোইশিং খন্ননবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

নুপামচাগী ওইনা ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৬ তগী ৯ ফাওবা অদুগা নুপীমচাশিংগী ওইনা থা অসিগী ১০ দগী ১৩ ফাওবা তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই-এন.ই.আর.সি. কেম্পস আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং ২০০৯ দগী ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি।